## লানসি চহী ৩ হেল্লে

### কৈদৌগে হায়বনো

ৱা ওইনা হৌদোরকপদদা শক তাখৎপা, শক কেংবা অমসুং কাফৎপগী ৱাফম নত্তে। হেক্তমক খৌজেংদগী থাঙলোনদা লৈঙোই চোঠ্রোবিদা কবোক পোকপসু নত্তে। মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসি হৌজিক চহী ৩ হেল্লে। মসি ফাওবদা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রে। কৈদৌঙৈগী করম্বা মতমদা বোম-নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা নুপী-অঙাং খাক্তনা মীচমশিং হাৎলক্কদগে হায়বা অমসু খঙবা ঙমদে। বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা মী হাৎপগী থবকপু কাপশিল্লক্কদৌরে অমদি হাৎকদৌরে হায়দুনা হান্না হায়রক্কদ্রো? মাঙজৌননা হায়দোরক্লবদি ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়গী চহী ৫ খক্তা ঙাইরিবা তোমথিল ওইনাম, মহাক্কী থা ৫ খক্তা শুখিবী মচন্নুপী য়াইসনা বোম মচেৎনা পানবদগী শিরমগদ্রা? লৈখিদ্রবা অঙাং অনীগী অপোকপী বিনিতাসু বোম মচেৎনা পান্দুনা শোক্লমগদ্রা হায়বনি। মসিগী মতুংদা পি গেলমোল অমসুং ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী টি এম কসোম খুল মনাক্তা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুসু চপ-মান্নে। মিৎকুপ পুংজা খুদিংগী থরক হুনগৎতুনা মিহুন চেঙ্গুম-চেঙ্গানরিবসি 'মথোং খঙদনা খৎমনবনি' হায়দুনা মরাল শিরুবা য়ারিব্রা? মীয়াম্না নুমিৎ খুদিংগী 'নে-তাদনা' লৈরিবসিবু 'শিঙ্থোং খঙদবনি' অমসুং মফৎতা ঈরাং তৌবনি হায়গে হায়ব্রো? অদুগা হৌজিক লানসিনা চহী ৩ হেল্লক্লবা ফাওবদা লানসি কনা-কনানা, করি মরমদগী হৌরকখিবনো হায়বসিবু অমুক পোপথোক-কোৎথোক্তুনা ৱাগী ৱা ওইনা ঙাঙনখিগদ্রা হায়বনি। মালেমসিদা লৈরিবা লৈবাক পূন্নমক্কী মীওইশিংনা মণিপুরদা মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিগী মরম খঙদবা য়াওরমখিগদ্রা, লৈরমখিগদ্রা? লানসি লোইশিন-খমজিন্দবদগী হৌজিক চহী ৩ হেঙ্গিল্লক্লবনি, ৱারোইশিন পুরক্কদবনা কনানো হায়বসিসু খঙদবা য়াওরম্লরোই। পূন্নমকসি ময়েক-শেংনা খঙদবা অমসুং খঙলবসু খঙশিন্নদনা 'মিৎচিনা হায়ফেৎ ফাওবা য়েংলমদনা' হায়বগী ফীভমদা লৈরক্লিবশিংনা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোইশিংনি। ৱাফমসিদা লাল্লি হায়রক্কদবা লৈরম্লবদি প্রপ-প্রপ থোরকউ। য়াপংনদা ওইরবসু চিকখাইনরগা ঙমথোক্লসি।

লান হৌরকপা মতমদা লৈখিবা ষ্টেট লৈঙাক্তুবু য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মতৌ করম্না লোয়নখিগে? থমদবা য়াদবদৌনা য়াম্না পূক্নিং চঙবা অমসুং কোন্সেং-পুমশেংগা শারগা 'প্রসিদেন্টস রুল' তনথম থমজিল্লকখিবদুনা করিগীনো? ফেব্রুৱারী ৪,২০২৬তগী লিংহল্লক্লিবা লৈঙাকসিসু বোম মচেৎনা অমসুং নোংমৈ মরূনা পানবা অঙাং অমসুং অহলশিংগী মশাদগী চেন্থরকপা অঙাংবা ঈনা মশা পূম্বা পুন্নুপ-লুপ্পমখৈ চোংলবসু 'ৱারী শানবা নত্তনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই' হায়বা ৱাহৈ পরেংসিদমক চিনফা পুহল্লগা থল্লক্লিবা নৎত্রা? ৱা লোইরে। বোম-নোংমৈ পায়বা, পোকখায়হনবা অমসুং কাপ্পা মীওইশিংগী মথক্তা 'মিলিটরি ক্রেকদাউন' চথৌ হায়রুরগনা ষ্টেট খরগী মীখলগী দ্যুটিগীদমক চৎখিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং হল্লক্লগা তৌনি হায়। মীহাৎপশিং ফাও-পুল্লু হায়রুরগনা এন আই এদা খূৎশিন্নখ্রে, এক্স-গ্রেসিয়া অমসুং চানবা লৈঙাক্কী থবক পীনি মহায়। বোম-নোংমৈগী মখোলদি নোংমত্তা কাংদনা তাই। মতৌদি কুমজা ২০২৯ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা অহানবা মিৎয়েং থল্লগা অৱাং-নোংপোক্কী লালহৌবশিং লোইশিনগনি হায়রকই। থবকসি পাঙথোক্তুনা ঙমগনি হায়রগদি হৌজিক মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা নুপী-অঙাং ফাওবা খাক্তনা মীচম হাৎলিবা 'হিংচাবা' শিংসিদি নখোয়না থাদোক্তুনা শান্নবা 'ভুট' শিংনি হায়বদা শাওরকফম থোকপ্রা? মণিপুরগী তম্পাক্কী মীওইশিংনা 'প্রোক্সি ৱার' চথরি হায়রক্লিবসি চুমদ্রা? মণিপুরগী মীয়াম মীহৌরোলদগী, 'আগে'দগী চাক চারকই। শজিক অমসুং তল চারক্তে। মীতিক-মীরৌ শিৎ-নান্না খঙনা হিংলকই। মসিমক্লা 'মণিপুর' কৌবা লমদমসে ঙসিদি চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগী নীংথাদা তেক্ত-কায়দনা য়োল্লগা লৈরক্লিবনি। মসি পূন্নমকসে ঙসিদি নরমদম মণিপুর, ষ্টেটসিগী মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙমদবা মীওই খরগী মখূৎতা কিন্থরগদবা 'চিনার' অমুনবদৌনা তৌরক্লে হায়বনি। ঙসিগী অমসুং তুংগী মীরোলদা করি হায়খিগে হায়বনো? সেন্টরগী লুচিংবশিংসিগী ফিরেপ অমসুং খোঙফমশিংসিদদি মণিপুরগী লানসি কুমজা ২০২৯ ফাওবদদি ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বা থাজদ্রে। লান পাম্বা অমসুং মীশি-মীনাদা খোয়দাদুনা হৈনবগী ৱাফম নত্তে। মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিংবু কুমজা ২০২৯ ফাওবদা লোইশিনগনি হায়রক্লবনিনা হান্নদগীসু 'সূ' না য়াচল লাক্লবশিংসিদি মখা তানা শীজিন্নখিগদবনা হায়রিবা মতমসি ফাওবদি 'কাও থাবা' দৌনা থাখিগদবনিনা লানগী থৌদোকশিং মখা চত্থরকপা হায়বসিদি ফক্লাংদা লৈতুম্না থাবগুম্না থোক্কদৌরিবনি। মসিগী মথক্তা 'সূ' গী ছাতিননা কুপশিল্লক্লিবা ফূরুপশিংসি মণিপুরগী ইলেক্সনশিংদা 'ভোট বেঙ্ক' ওইরক্লিবনিনা মথংগী মীখলসু কুমজা ২০২৭কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লগদবনিনা মনীং তমহনখিগদবা নৎত্রা? উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিস ষ্টেশননা কোনবা খুলশিংদা বোম অমসুং নোংমৈগী মখোল লেপ্তুনা তারক্লিবসিসু ঙক্লা থোক্তে। এন এস সী এন-আই এমগা 'পীস টোক' তৌরক্লিবসি চহী কয়া শুরগে? মসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা লালহৌলূপসি 'ফেক্সন' কয়া থোকহল্লবগে? চৈরকসিদা 'ফ্রন্টিয়র নাগালেন্দ'গী মরূ হুল্লকখিবা নৎত্রা? হৌজিক্লা টি ঐচ মুইভা শিখিবা ঙাইবা!! লিতানগী থৌদোকশিংদা 'আই এম' য়াওশিল্লক্লবা ঙসি ফাওবদা ক্রক লাকশিন দবা নৎত্রা? খ্বাইদগী ঙক্লিবদি সেন্টরগী লুচিংবশিংসিগী পুঙলোন অমসুং জগোয় খূৎথেক মনুং থিৎনা খঙলবা, তৌথোরকপা থবকশিংগী মতুংইন্নদি 'সেল্ফ-ষ্টাইল লীদর' (মীহুৎ)নি হায়জবশিংসিনা উগী শগোল, চরোৎ হাবুঙ ওইদুনা লৈবসিনি। হৌজিক্তি লানসি চহী ৩ হেল্লক্লে, কৈদৌখিগে হায়বনো?

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭৭৩)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

চুংলেপ ৬০ নমখাইনা লাননা চোং। কাওরেল শলখাং ১০ লান। খংনং খূৎশু তারেল লৈতং লেংনা। হুয়েল লালদা খৌশাবদি। হুয়েল লালথেংনঙৈদা। সাইরেম নিংথৌ সনারেঙ। লালদা থৌবা অয়াংবদি। লাকচাথীনা লালঙমলে। লাইরেল মৈদিংঙু লোইবী শারেমঙমবা। নুঙশাই পামতলনা। উরক খুলৱাই হুইনবা। হুয়েল সনারেম ফাবা ও মিংকৌখিয়ে। তুবী থাঙলেল খূৎশুনখিবদি। অসিনা লোইবা লৈখিদে। নোংচুপ খা মোইরাং লাইজি পাংবা লম। থোংনাং মঙাইতাং। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯷꯷꯳)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯆꯨꯡꯂꯦꯞ ꯶꯰ ꯅꯝꯈꯥꯏꯅꯥ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯆꯣꯡ॥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯂꯈꯥꯡ ꯱꯰ ꯂꯥꯟ॥ ꯈꯡꯅꯡ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯇꯥꯔꯦꯜ ꯂꯩꯇꯡ ꯂꯦꯡꯅꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯤ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡꯅꯉꯩꯗꯥ॥ ꯁꯥꯏꯔꯦꯝ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯁꯅꯥꯔꯦꯡ॥ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯊꯧꯕꯥ ꯑꯌꯥꯡꯕꯗꯤ॥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯂꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯁꯥꯔꯦꯃꯉꯝꯕꯥ॥ ꯅꯨꯡꯁꯥꯏ ꯄꯥꯃꯇꯂꯅꯥ॥ ꯎꯔꯛ ꯈꯨꯜꯔꯥꯏ ꯍꯨꯏꯅꯕꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯁꯅꯥꯔꯦꯝ ꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯌꯦ॥ ꯇꯨꯕꯤ ꯊꯥꯡꯂꯦꯜ ꯈꯨꯠꯁꯨꯅꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ॥ ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯈꯥ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡ ꯂꯥꯏꯖꯤ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯃꯉꯥꯏꯇꯥꯡ॥ ●

## ''ৱাখল তাবী ইমৌ ফংসি হায়রবদি ইচানুপী হান্না ৱাখল তাহনসি'



মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

হৌজিক্লানসি হায়বদবুদি কয়া নুংঙাইত্রবসু, ইরমদম মণিপুরসিগী ওইনা ইমুং কয়ামরুমদা মৌ ফত্তে, মৌ ফত্তবদগী ইমুং-মনুং লোইনা কায়নরে হায়বা ৱাহৈসি য়াম্না তোয়না ঙাঙনবা তানরক্লি। লৈরক-খুল্লক্তা, পান দুকান্দা, হোটেলদা-করিদা, মৌ ফত্তবগী ৱারীসি ইফোং-ফোংনা শানবা অদুম্মক তানরি। লুরিবদি, ওফিস কাবীশিংগী মরক্তদি মৌ ফত্তবগী ৱারীসি, লৈকায়দা মীয়াম্না মৌ ফত্তবীনি হায়দুনা খন্দোক্তুনা থল্লবা কাঙবুশিংদুসু য়াওনা, পূন্না অদুম্মক শামিন্নৈ হায়রি। মণিপুর পূম্বগী ওইনা লৈকায় অয়াম্বদা অসুম্না খরা-খরা ঙাঙনবসি অদুম তানৈ হায়রবনিনা, লমদমসিদা লৈরিবা মৌ ফত্তবীশিংগী মশীংসি তশেংনমক্কী হায়রগদি খরদি শোয়দনা য়ামখৎলল্লনি খল্লি। মণিপুরগী মৌ ফত্তবীগী ৱারীসি তশেংনা লোইবা নাইররোইদৌবা অমরা? অদুগা, ফত্তবীনি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরিবা মৌশিংসিনা ফত্তবগী মওংশিংসিসু অমগা-অমগা পাক মান্নরল্লোই। অদুম ওইনমক, ঙসিগী মীতৈ খুন্নাইসিদা অয়াম্বা মীওইশিংনা ফত্তে হায়নরক্লিবা মৌশিংগী মরক্তসু, মুন্না য়েংলুরগদি মৌদুনা ওইনা চুল্লম্বগী থৌদৌশিংসু ময়াম অমা য়াওরমদবসু নৎত্রি। মচানুপাগা মমৌগা, অনী চঙদুনা থোকচিল্লকপা শেনফমশিংদুনা ইমুং-মনুংগী মথৌ মেনবদা অমদি মচিন-মনাওনচিংবশিংগী শরুক য়াবদা ফাওবা য়াওনা শীজিন্নরবা মতুংদা, মখোয় মশাগীনি হায়না সেভিং তৌনবা শেনফম অমা ফাওবা লেমহৌদবগী থৌদৌদুদা, ঙাঙনীংলিবনি হায়দুনসু মৌদুবু ফরম্মোই হায়বা ৱাফম হেক্তা পল্লুরবদি, মীয়ামসিসু হায়মনবা হায়বদু থোক্লোইদ্রো? থৌদৌসি তশেংনমক্কী হায়রবদি, মণিপুর হায়বা ইরমদমসিনা শেল-থুমগী ফীভমদা, অসুক্কী মতিক শোখহৌরবা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরম্বদগী থোক্লিবনি।

মণিপুরগী মৌ ফত্তবীগী ৱারীসি মথক্তা পনখ্রিবা সিগুম্না পংহায়দা হায়জিনবীবনা অয়াম্বদি খক ওইরল্লোই। অদুম ওইনমক, হৌজিক্কী মণিপুরসি মমাঙঙৈগী মতমদুবুদি তশেংনা নৎত্রবনি। শুপ্নগী মশা-মউ ফবা, শুগনবা নুপা অমখক্লা শুরগা মীকোক তরা লৈবা ইমুং অমা ইরায় লায়না থাকপা ঙল্লিঙৈগী মতমদু হৌজিক্তি ওইদ্রবনি। অদুগীসু মথক্তা ইরমদমসিদা, নোংম-নোংমগী থবক শুফম লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা ফীভমশিংসু হেন্না-হেন্না মায়োক্লরক্লিবনি। ফীভমসিদা মতম অমগী মীকোক তরা লৈবা ইমুংদা মপাঙ্গল কনবা, শুগনবা নুপা অমখক য়াওরগা লোইরে হায়নরম্বা ৱাফমদু, ঙসিসু অদুম্মক চুমখিগনি হায়রুবা য়ারিব্রা? "ইনেম ওইগেরা, ইকু ওইগেরা অসুম্নসুম, মচানুপা অমখক্তনা শেল তাল্লগা ইমুংদুগী নোংমগী চরা অমসুং ইমুংদুনা হিংবা ঙম্নবগী পোৎলূম খুদিংমক মচানুপাদুগী কোকথক্তা লোইনা থোঙ্গৎতুনা অদুম্মক চৎহনগনি হায়রবদি, পীক্লবসু চাউরবসু তঙাইফদনা লাক্কদৌরিবা মচা-মমৌগী ওইবা অনৌবা ইমুংদুগীদমক্তি শুপ্নগী অনৌবা য়ূম্ফম মচেৎ অমত্তা ফাওবসু থোনহল্লরোইদ্রা"? ৱাহংসি ইমুংদুগী শুগনবা নুপাদুগী নুপীদুনা নোংমদি শোয়দনা হংলক্কদৌরবনি। ফীভমসিদা থোক্লকপা ৱাথোক খুদিংমক্তু মৌ ফত্তবদগী থোক্লকপনি হায়বা য়াননবা নমদুনা ৱায়েনবা হায়বদু খরা লুনা থোক্কনি। মসি নত্তবা অতৈ হীরমশিংদা, লমদমসিগী মৌ-নহাশিংনা মৌ ফত্তবী ওইরকপগী মরমশিংদি, মখোয় মশা-মশানা য়াজনা, পামজনা শেমজরুবা লম্বীশিংদুদা মখোয় মশানা কুমথজদুনা চৎচরুবদগী ফংলকপা মহয়শিংদু ঙাক্তা শোয়দনা ওইরমগনি।


মথক্তা পনখ্রিবা থৌদৌশিংসি নত্তবদা, অতোপ্পা হীরমশিংদা ফত্তে হায়নরিবী অতোপ্পা মখলগী মৌ-নহাশিংসিনা হৌজিক্কান্দা করি মরমগীদমক মৌ ফত্তবীগী ৱাখল্লোনশিংসি অসুক য়াম্না খোয়দানা পাম্নরুরিবা জাৎনো? হীরমসিদসু তোঙান্না থিগৎতুনা অচুম্বা মরমশিংদু খঙদোক্লবা হোৎনবগী মথৌ তাই। লমদমসিগী মৌশিংনা ফত্তবগী মওংশিংসি মখলদি য়াল্লিবা জাৎনি। ময়ামদুগী মরক্তা মসিসু অমনি, মথোং-মরম খঙদনা, -- "ঐ করিমতা খঙদে, হৌজিক্তি ঐ য়ূমসিগী মৌ ওইনা লাক্লবনিনা, মফমসিদা ঐনা মৌ অমা ওইনা নুংঙাইনা লৈবা য়ানবগীদমক ফীভম খুদিংমক্তু ইমুংসিনা ঐগীদমক অমত্তা ৱাত্তনা শীনগদবনি" হায়বা ৱাফমসিনা মাঙ থারগা লাকপা য়ূমগী মৌশিংগী গ্রুপ অমসু লৈ। মখোয়সি মরু ওইনা মপামদা মমা-মপা, মপু-মবেন অমদি মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংদুনা ৱারক-ৱাতেন্বীরকপগী মহুত্তা, লুনা অমদি কেথোক্লা তৌমনখিবদগী, তাদিংদগী হৌনা তিন চঙখ্রবা মচানুপীশিংদুনা অয়াম্বা ওইরকপনি। অদুগা করিগুম্বদনা, অদুগুম্বা মৌশিংদুগী মপামগী ফেমিলিশিংদু খুন্নাইসিদা তোপ তোপ্পা, মথন্তা মরায় কা-হেন্না হাইগৎতুনা চৎপা, মীনবুদি কয়া শীংথানবীদবা মীদাশিংদুগী মচা-মশুশিংনসু ওইগল্লি। মসিগুম্বা মৌশিংসি ৱাখল তাহল্লক্লবা হোৎনবদা মায় কয়া কন্না পাক্কন্দে। মখোয়সি চপ-চানা য়ূম পুবা ঙম্নবা, ৱাখল তাবী য়ূমগী মৌ অমা হায়বদু ওইরকহন্নবা তশেংনা হোৎনসি হায়রগদি, শীংনবা অমগী মখাদা তোঙান্না চঙশিনবা খোঙজং অমা নৎত্রবদি মায় খক পাক্লোই। থৌদৌসিদা লাল্লিবসি কনানো হায়রবদি, মপামদা লৈহৌরিবা মখোয়গী অহল-লমনশিংদু নৎত্রা? সিনি, হূই ঙাওরগা হূইবু থি হায়রিবসি। পূন্নমকসি থোক্তনবগীদমক খ্বাইদগী ফবা পান্বেদি, নুপী ওইবীশিংগী অমত্তা ঙাইরবা য়ূম্বাল্লোনগী ত্রেনিং স্কুল ওইরিবা, 'মপাম' হায়বা মফমসিদা লৈরিঙৈদা ত্রেনিংদু নীংথিনা পাস তৌরক্লবা হোৎনহৌগদবনি। এনিৱে, হৌজিক্তি মচা-মমৌ হায়বদু ওইখ্রবনিনা মতৌ করম্না ত্রেনিং তৌফম স্কুলদুদা অমুক হন্না থারুগদৌরি? থারুরবসু মপামদুনা হান্নগী ফীভমদু হোংলমদ্রবদি, হন্দকমুকসু পাস খক তৌরকখিরোই।

নাকল অমরোমদনা, মণিপুরগুম্বা চাওখৎপগী থাক খরা ৱাৎলিবা, শেল থুমগী ফীভমদসু নাতৈ চাখিদ্রবা লমদমসিগী মৌ নহাশিং খরনা, ময়ূম নিংথিনা পানবা ঙম্নবা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা ঙম্নবা হোৎনগেদি হায়দ্রগা, অরেম্বদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী তৌনীংবদা তৌদুনা হিংবী, মনীং তৌবী মৌ-নহাশিংদুগী মতৌ তমদুনা লেন্নবা হোৎনরিবী মৌ-নহা গ্রুপ অমসু লৈরি। মখোয়সিনা, সোএল মীদিয়ানচিংবদা পংউৎ-উৎলকপা, মীরমদমগী মনীং মখা তন্বী, শেঞ্জাও পায়বী মৌ-নহাশিংদুগী মতৌ তম্বদদা মপূন্সিদু কখোকচরগে হায়দুনা চোংথোক্লক্লবী কাঙবুনি। নোং হেক ঙানবগা মফি-মরোল নান্না শেৎলগা মকে শেমদুনা মোবাইল ফোনদা সেলফি নল্লগা, মথন্তা ওন-ওন্দুনা য়েংজদুনা মতম লেঞ্জবী, করিগুম্বা কান্দনা মশাগী ফোটোদু সোশল মীদিয়াদা কাসু থাগৎলকপী, নুমিৎ চূপ্পগী মোবাইল ফোন হাংদোক্তুনা য়েংনীং-য়েংনীংবা ৱারী, ফোটোনচিংবশিং য়েংদুনতা মতম লেনবগী হৈনবী লৈবী কাঙবুশিংনি। অসিগুম্বা মৌশিংসিনা অয়াম্বা মতমদা য়ূমগী থবক-ইনখাংশিংগী ৱা মখোয়গী মনাকোংদা পাক হাপ্তে অমসুং থৌওই-ৱাওইনসু তাগন্দে। মখোয়গী মথৌদাংশিং হায়ববু অয়ূক্তগী নুমিদাং ফাওবসিদা, শুপ্নগী মোবাইল ফোন হাংদোক্লগা য়েংনীং-য়েনীংবশিং য়েংদুনা মতম লেনবসি খক্তনি। মখোয়সিসু শেমদোকপদা লুনা থোক্কদৌরিবা কাঙবুশিংনি। মখোয়দা নারিবা লায়নাসি সাইক্রিয়াত্রিক্সকী ডাক্তরশিংনা লায়েংবা নত্তনদি, অতৈ ডাক্তরশিংনা লায়েংবদা খক চানরোই। মদুনসু ফৎত্রবদি, অতোপ্পা ওপশন অমত্তং লাষ্ট ওইনা হায়রগদি, য়াইরি অশাং-অশাংবা য়াম্না থম্বা, খরা হেন্নসু শাথীগদৌবা এন জি ও কাঙবু অমত্তং থিরে হায়রগা শিন্নরুবা, সি নত্তনদি অতৈ মখা লৈররোই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিংসিগী মথক্তা, মণিপুরগী মৌ-নহাশিংসি মখল-মথেল কয়ামুক্কী মোদেলশিংদা তোঙান-তোঙান খায়দোক্তুনা লৈনরি। চুম্না ইমুং-মনুংদা মশাগী ওইজবা খক ফংনবা হোৎনবদা, ইমুংগী মীয়ামদুগা থোয়দোক্লা তোরোৎ-খাদানবা পামজদবী, মশানা অমদি মপুরোইবনা তাল্লকপা লন-থুম খুদিংমক্তু য়ারিবমখৈ ময়াম মাঙদা খক উহন্দনবা হৈনা হোৎনজবী, মরন্নাইগী খনবদবুদি য়াম্না মতিক চাজবী, মীয়াম-মাঙদদি খজিক্তং মৌ ফত্তবীগী মনম চেনবী মৌশিংসু লৈরি। অদুগা মখোয়সি নত্তবা, মপামগী কাঙবুশিংবু কা হেন্না নুংশিজবা মৌ-নহাশিং, মবুং-মৌপ্পাশিংনা মহেল্লি খন্দুনা নুপা ময়ূমগী মীওইশিং অমত্তা খঙহন্দনা, লোন্না মপামলোমগী কাঙবু খক্তদা বিজিনেসকী শেল চাউনা-চাউনা থাদবী, মৌ-নহা কাঙবু অমসু লৈরি। মখোয়দু ঙসি ফাওবদা পোলোইদা ফরকপা পাক্লা থেংনবা য়াওখিদ্রি। মরক্তসু করিগুম্বা মখোয়সি,মাগী-মাগী নুপানা মাগী বিজিনেসতু খঙলকপা য়াওবদগী, মতম চূপ্পগী ওইনা মপামগী কাঙবুশিংগা লোয়ননা বিজিনেস তৌমিন্নরুরো, নুপা ময়ূমদদি অমুক হন্না হল্লকপা য়াররোই হায়দুনা মাগী নুপানা তাম্থোক্লকপদগী, মপুন্সিগী ওইনা য়ূম্বান লম্বীদা ইন্টর্ভেলদা ফিল্ম তৎতুনা লৈবী কাঙবুশিংসু য়াম্না য়াওগল্লি।

মণিপুরগী মৌ-নহাশিং ফৈ-ফত্তেগী মতাংসিদা, অরোইবা ওইনা হায়নীংবা অমত্তং হায়রগদি, --"মৌ নহা হায়বসি লৈশাবীশিংনা ওইরকপনি, লৈশারিঙৈদা মখোয়বু য়ূম্বাল্লোনগী চাউরবা পাড়াশিংসি মপূং ফানা নৈনহনহৌবা ফৈ, ঐখোয়সু অদু মঙাই, ৱাখল তাবী, য়ূম পুগদবী ইমৌনুপী ফংনবা হোৎনসি হায়রবদি, ঙসিদগী হৌনা ঐখোয়সু ইচানুপী লৈশাবীশিংসি হান্না য়ূম পানবা হৈনবা ৱাখল তাহনহৌসি"। ●

## খোঙউপ লোনবগী তাইবঙদা মূক্তামনি পদ্মশ্রী -২১



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

কোরমন্দল এক্সপ্রেসকী ফর্ষ্ট ক্লাসকী কেবিন মনুংদা মখোয় মরিকা অদুগী মনুংদা চেন্নাইদগী কোলকতা য়ৌনবা খোঙচৎ অমগীদমক খোঙশাল্লকখিবনি। চাউরাক্লা পুং ৪৮ হায়বদি নুমিৎ নীনিরোমগী খোঙচৎনি। অদুবু মখোয়দি লমথুংফম য়ৌদ্রিবা ফাওবা কুমথদ্রে। ব্রেকফাষ্ট, লঞ্চ-দিন্নরদা নত্তনা মরক্তা চা-নুং থক্লিং-খোৎনীংবা খো-খোৎপা মফমদুদা ফংলে। অদুক য়াম্না খুদোংচাবা লমশাং-খোঙচৎ অমা মমল সুপতিং তিংদনা ফঙলকখিবদু হল্লকপগী লম্বীদুদসু অদুম্মক অঙকপা পোকখি। মখোয় মরিগী লৈফম-চাফম, চখোক-চৎশিন পূন্নমক্কী চাদিং অদুগী মথক্তা চেন্নাইদা থা অমগী মতম লৈরম্বগী, শঙুন অমদি শামতু লংনা লোনশিনবা 'মিক্স ক্রাফ' প্রদক্ট তরাহুমদোইখক দিজাইন তৌদুনা শীজিন্নবা য়াগদবা মওংদা পুথোক্লম্বা অদুগীদমক লুপা লিশীং নিফুনিপান অমসু শেনগং ওইনা পীরকখিবনি। করম্বা নোংদম্বগী অঙাওবা নোংদম্লো খন্না-খন্না লাকখিবনি, খন্না-খন্না হল্লকখি হায়বদুনি।



দেপ্যুটি দিরেক্টর অমুদেশ্বরীগা লোয়নননা অরোইবা মীৎকুপকী অরোইবা মমি

মূক্তামনিগা লোয়নরকখিবা নহা নুপীমচা অনী, ময়ানুপা অমদুগী পূক্নিংদা করি খল্লিগবা হায়বদুনা মহাক্লা খল্লুদ্রে। অদুবু মহাক্কী ওইনদি কোলকতা ফাওবগী খোঙচৎতুদা ৱাখল মকা লাম্না য়ূম য়ৌরনি হায়বগী নুংঙাই-মংলান হায়বদুদি ওইদ্রে। মরমদি সী এল আর আইনা মাগীদমক অদুক য়াম্না থৱায় য়াওনা হোৎনবিরক্লিবশিং অদুনা মহাকপু কোলকটাগী সী এস আর আইদা নোংমা নীনিদং ফাইবিরম্মু/লমদনবিরম্মু হায়বা ৱাফম অমা থল্লকখিবদুননি। মহাক হোয়দি হায়রল্লে, করম্নদি মাই হায়রুগনি। অদুবু মূক্তামনি, কোলকতাগী সী এস আর আই হায়বসি করিনো হায়বা খঙদবগী মথক্তা মফমদুদা মহাক্লা কৈদৌরুগদবনো হায়বসু খঙবা নত্তে। খঙদবা মফমদা করি তৌরুগদবনো খঙদ-খঙদনা লাকখিবা খোঙচৎ অমগী অনীশুবা থেঙ্খাং অমা শোয়দনা মায়োক্লদৌরে, কমদৌসিবনো হায়বা অসিতা খনবদা শাংলবা পুং ৪৮গী মতমদো, মঙফাওনদ্রিবা মঙলান অমদা তাওবগুম থোকখি, চাবা-তূম্বা-হিপ্পা খো-খোপ্পদো পুমতাও তাওবা তরং-ৱাখলদনি হায়জৈ। ওইরম্নিয়ে।

সী এস আই আর কলকতা (কোলকটা) হায়বসি ইজরিবনা গুগলদা য়েংলুবদা ৪ রাজা এস সী মুলিক, রোড, কোলকটা-৭০০০৩২, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা ইন্সটিট্যুট অমনি হায়। মসিবু সী এস আই আর-ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ কেমিকেল বাইওলোজি হায়না খঙনৈসু হায়রি। ইন্সটিট্যুট অসি কুমজা ১৯৩৫দা নন ওফিশল সেন্টর অমা ওইনা লিংখৎখিবনি। মসি কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছর্স (সী এস আই আর) হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী মখাদা লৈবা ওটোনোমস বোদি অসিগা খূৎশম্নলা লীংখৎখিবনি হায়। মরম অসিদগী ইন্সটিট্যুটসিবু সী এস আই আর - ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ কেমিকেল বাইওলোজি অমুক্তসু শম্না (সী এস আই আর-আই আই সী বি) হায়নসু খঙনৈ হায়রি। ইন্সটিট্যুট অসিমক্কী ফোকস এরিয়া অসিনা বাইওকেমিষ্ট্রি, সেল বাইওলোজি, জেনোমিক্স, বাইওফোরমেটিক অমদি মেদিসিনেল কেমিষ্ট্রি অসিনচিংবদনি। অসুম্না হৌজিক ফাওবদা হীরমশিং অসিদা মহৈরোয় রিছর্স স্কোলর কয়া পুথোরক্লিবা লৈবাকসিগী হ্যুমেন রিছোর্স শেমগৎলিবা মতীক-ময়াই লৈবা ইন্সটিট্যুট অমনি। ইন্সটিট্যুট অসিনা মখল মখা কয়াগী ইনোভেশনশিং পুথোকখ্রে। পনবা য়াবদা 'স্বারাজ ত্রেক্টর', অহানবা ইন্দিয়াগী সিন্থেটিক দ্রগ (মেথাক্যুআলোন) অমদি ত্রেদিস্নেল নোলেজ দিজিটেল লাইব্রেরি অসিনচিংবা শীংথাবা য়াই। হৌজিক ফাওবদা পান ইন্দিয়া নেশনল লেবোরেটরি ৩৭ অমদি আউটরিচ সেন্টর ৩৯ লৈরে হায়বগী পাউ লৈরি।

ইন্দিয়াগী অসুক য়াম্না শীংথানীংঙাই ওইরবা ইন্সটিট্যুট অসিগী মরমদা মূক্তামনি করিসু খঙবা নত্তে। করিনো হায়বা ফাওবা খঙদবী মাবু মফমদুদা নোংমা নীনিদং পোত্থাবীরম্মু, চঙবীরম্মু হায়বদুদা মহাক্লা তৌরুগদবসি করিনো শুপখঙ খঙদবনি। মদুগুম্বা খোঙচৎকী খুদোংচাবা মতুংদা লাক্কনি হায়না খনখিদে, লাকপসু লৈত্রি। লেপ্তুনা অকক্লবা পুংশিংগী খোঙচৎনি। পুং ৪৮গী মতম হৌখিবা খঙহৌদে, কোলকটাগী রেলৱে ষ্টেশন য়ৌরে হায়দুনা পাউ পীরকই। মখোয় মরিমক ত্রেনদগী কুমথরক্লবা মতুং মহাক্কী চাউনা শিন্দোক্লবা ফোটো পায়বা মীওই খরা মফমদুদা লেপ্তুনা লৈবা উখি। মখোয় তম্না চঙশিল্লক্তুনা 'মূক্তামনি...?' হায়না হংলখি। মখোয় কলকটাগী সী এস আই আরগী ওফিশলশিংনি হায়না শক্তাকপগা লোয়ননা মখোয়গী ওফিসকী গাড়ী অমদা মখোয় মরিবু কাখৎহল্লে। মপোৎ-মচৈ হাপকৎপীরে। অদুগা মখোয়না অতোপ্পা গাড়ী অমদা কাখৎখ্রগা মাঙ থাদুনা থৌখ্রে। মখোয়না তোংলিবা গাড়ী অদুনা মখোয়গী মতুং ইনখি।

য়াম্না চেকশিন্না ঙাক-শেনবা কেম্পস অমদা থৌজিনখ্রে। অদুগা ওফিস মানবা বিল্ডিং অমগী মমাঙদা খাল্লগা মখোয়গী পোৎ-চৈ খো-খোৎপা লৌথরগা কা অমদা পুশিনখ্রে। মূক্তামনি অমদি মখোয় মরিবু তরাম-তরাম্না কা অদু তম্না চঙমিন্নরগা পোত্থানবা হায়রম্মী। হান্না, মমাঙদা অমুক্তসু উন্নখিবা লৈতবনা হায়রপ তুফক তুফাইনৈ। মফমদু ইন্সটিট্যুট অদুগী গেষ্ট হাউস হায়বদু ওইরম্বা য়াই। লাপ্পা লাকপগী পোত্থারো, হয়েং ৱারী-ৱাতাই শারসি হায়রল্লগা চৎখ্রে।

ঙাইহাক পোত্থাই। কৈদৌগদবনো খঙবা নত্তে। অসুম্না নোংমা অমা হৌখ্রবা মতুং থংনবা নুমিৎতদি মূক্তামনিবু তরাম্না ওকপগী থৌরম হায়বা অমা শিল্লকখি। খুদোলপোৎনচিংবা পীবগা লোয়ননা মহাক্লা লোনবা শাবা পোৎশক (খোঙউপ) খরসু উৎখি। মীচম কয়া য়াওবা মান্দে অঙম-অথৌ ঙাক্তা ওইনা তৌই। ময়ামদুনা মূক্তামনিবু থাগৎপগা লোয়ননা মানা পাঙথোরকখিবা থবকশিং শীংথাদুনা ঙাঙই। পূন্নমক অদুনা মূক্তামনিবু থাগৎপীবা ঙাক্তনি, মানা লোনবা খোঙউপ খরদু ওন্থোক্লা ঙক্লা খোয়দানা য়েংনখি। মফমদুদদি মদু নত্তবা থোইদোকপা প্রোগ্রাম তৌদ্রে। মথংগী নুমিত্তা এয়রপোর্ট ফাওবা থিনবিরকখি। ●